# পি এম নরেন্দ্র মোদি রসিয়া খোঙচৎতগী হল্লকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে ২২ ঃ***

রসিয়াগী সোচিদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগা ইনফোর্মেল ওইনা নোংমগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা উনরুবগী খোঙচৎ লোয়শিল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ঙসি অহিং ইন্দিয়াদা অমুক হল্লকখ্রে।

রসিয়া খোঙচৎতগী হল্লকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু অখন্ননা ইকায় খূম্নবা উৎপা ওইনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিন মশামক্না এয়ারপোর্ট ফাওবা থিন্দোক্তুনা ফ্যারৱেল পীরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগা পাঙথোকখিবা মহাক্কী অহানবা ইনফোর্মেল সমিট অদুদা লৈবাক অনীগী মরক্তা দিফেন্সকী তেংবাংনবা লোয়নন্না অনীমক্কী চপ মান্নবা গ্লোবেলগী নুংনাংবশিং য়াওনা হীরম কয়ামুক খন্ন–নৈনরকখি। প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মোয়া রসিয়া–ইথনো সেন্টর য়েংবা চৎখি। মফম অদুদা মহাক্না রসিয়াগী আর্টিসিয়ানশিংনা শাবা থায়না মমাঙঙৈগী আর্টিফেক কয়ামরুম য়েংখি অমসুং মফমদুগী আর্টিষ্টশিংগসু ৱারী ৱাতাই শান্নরকখি।

রসিয়াগী সোচিদা লৈবা সিরিয়স এদুকেসন সেন্টরগী মহৈরোয়শিংগসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংখি অমসুং মহাক্না মখোয়বু ইন্দিয়াদা লাক্নবা বার্তন তৌরমখি। থৌরম অদুগী মতুংদা মহৈরোয় অঙাংশিং অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওতোগ্রাপশিং লৌখি। অঙাংশিংদুগী মরক্তগী অমনা মিংশেল মপাক অমা পুরকখি অমসুং মদুগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মেসেজ অমা ইরমখি।

নোংপোক থংবা রসিয়াদা লৈরিবা অটলান্টিক ওসিনগী ব্লেক সি দা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিনগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা বোকারেভ ক্রিকতগী ওলেম্পিক পার্ক ফাওবা হি তোংমিন্নবগী খোঙচৎ অমা চৎখি। মসিগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা প্রসিদেন্ট পুতিনগা মখোয় অনী খত্তমক উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা মহাক্না লৈবাক অনীসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না কনহন্নবা অচেৎপা ৱাফম থমখি। ইন্দিয়া রসিয়া অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিংবু অখন্ননা খুদোংচাবা খোঙলোই ওইমিন্নবা অমনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কেরলাদা নিপাহ ভাইরসতগী শিখিবা মীগী মশীং ১০ শুরে গোৱাদদি ভাইরস অসি শন্দোরকপা য়াবগী মীপাইনিঙাই ওইদ্রে

***থিরুভনন্থপুরম, মে ২২ ঃ***

কেরলাদা হন্দক শন্দোরক্লিবা চপ চানা করিনো হায়বা খঙদবা নিপাহ ভাইরসনা শিবা মশীং ১০ শুখ্রে। হৌজিক মীওই অনী অমসু অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়না ঙসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। অদুবু গোৱাদদি লায়না অসিগী থোদোক্লা মীপাইনিঙাই লৈতে হায়রি।

ভাইরস অসিনা শন্দোরক্লিবসি কোজিকোদতা লৈবা ইমুং অমদগী হৌরকখিবনি হায়না থাজনরি। হায়রিবা ইমুং অদুদা মচিন মনাও অনী অমসুং অতোপ্পা নুপী অমা শিখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকপদা চাওরাক্লা মীওই ৯৪ রোম মখোয়গী য়ূমশিংদা ক্কারান্টাইন তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা মীওই ৯ রোম তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা য়েংশিন্দুনা লৈরি। হৌখিবা পূং ২৪ দা ভাইরস অসিদগী নৌনা নারকপা অনাবা অমত্তা লৈতে হায়না কেরলা হেল্থ মিনিষ্টর কে কে সৈলেজানা হায়রি। সেম্পল ১৮ টেষ্ট তৌবদা ১২ ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনরে।

হন্দক কেরলাদা অঙকপা ভাইরস অসিদগী শিখিবা মীওইশিং অদু মরু ওইনা কোজিকোদ অমসুং মলাপুরমদগীনি। কোজিকোদতা ৮ শিখি অমসুং মফম অসিগী খুঙ্গং অমদা লৈবা য়ূম অমদগী ভাইরস অসিগী মরু ওইবা হৌরকফমনি।

লায়না অসিগী লায়য়োং লৈবা অনাবা মীওই অমা হোস্পিটালদা ইহান হান্না পুখৎলকখিবা পেরম্বরাদা লৈবা ইমুং অমদগী লায়না অসি শন্দোরকখিবনি। ইমুং অসিদা মশাগী চহী ২০ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মচিন মনাও অনী মে ৫ দা শিখি। মখোয়গা লৈমিন্নবা নুপী অমসু হোস্পিটালদা শিখি।

মখোয়গী য়ূমদা লৈবা গুহা অমগী মনুংদা অশিবা সেকপিশিং লৈরম্বা থেংনখি। হায়রিবা সেকপিশিং অদুনা লায়না অসি নাহল্লকপা ওইগনি থাজনরি।

ওফিসিয়েলশিংনা য়ূম অদুদা চৎতুনা হায়রিবা গুহা অদু চেৎনা মখুম খুমজিন্দুনা থমখ্রে।

লৈখিদ্রবা মচিন মনাও অনীগী মপা অদুসু অরুবা ফিভমদা লৈরি। অতৈ অনাবা মীওই পূম্নমক ইমুং অদুগা করিগুম্বা মওং অমদা শম্নরুবা ঙাক্তনি হায়না হেল্থ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

মলাপুরম, সিন্ধু অমসুং সিজিথাদগী শিখিবা মীওইশিং অদু মখোয়না কোজিকোদ মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালদা মখোয়গী অতোপ্পা লায়নাগীদমক লায়েংবা লাকপদা নিপাহ ভাইরসনা নাবা অনাবা মীওই অমগা শম্নরুবদগী লায়না অসি লৌনরকখিবনি হায়না মমিনিষ্টরনা হায়খি।

ইমুং মনুং অদুবু লায়েংখিবা মেদিকেল টিম অদুদা য়াওবী নর্স ওইবী লিনি পুথুসরিসু ঙরাং নিপাহ ভাইরসনা নাবদগী শিখ্রে। মচা অনীগী মমা ওইরিবী মশাগী চহী ৩১ শুরবী নর্স অসিনা মহাক্কী মপুরোইবদা থম্মোয় শোক্লবা অরোয়বা চেরোল অমা ইদুনা থল্লম্মী। মহাক্না হৌজিক আইসোলেসন ৱার্দ অমদা থমখিবা মরমনা মহাক্কী ইমুং মনুংগা উন্নবা ঙমখিদে। লায়না অসি শন্দোরকপা থিংনবা মহাক্না হেক শিবগা অরোয়বা মথৌ মঙম তৌখি। হকথেংননা শেন্নবদগী অয়াম্বা শন্দোরকপা ভাইরস অসিগীদমক হৌজিক ফাওবা এক্সন লৈত্রি। ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকপদা ভাইরস অসি য়াম্না থুনা য়াংনা শন্দোকই অমসুং অনাবশিং চাদা ৭০ রোম শি হায়রি।

পনাজিদগী ফংবা পাউদা কেরলাদা নিপাহ ভাইরস শন্দোরকপদগী মীওই ১০ শিখ্রবসু গোৱাদদি লায়না অসি শন্দোরক্কনি হায়বগী মীপাইনিঙাই ওইদে হায়না গোৱা গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি গোৱা গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকপদা গোৱাদদি ভাইরস অসিগী মতাংদা নুংনাংনিঙাই অমত্তা লৈতে, অদুবু করিগুম্বা শন্দোরকপা তারবসু মদুগী মাঙজৌননা থিংনবা থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়খি। হৌজিক ফাওবদা নেস্নেল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল (এন সি দি সি) য়াওনা এজেন্সি অমত্তনা গোৱাগীদমক এলার্দ লাওথোকপা লৈত্রি। এন সি দি সি গী টিমনা কেরলাদা থোক্লিবা ফিভম অদু কূপ্না শেন্নরিবনি হায়না হেল্থ সার্ভিসেস দিরেক্তোরেটকী ষ্টেট সর্ভিলেন্স রেঞ্জ ওফিসার ডাক্তর উটকর্স বেতোদকরনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

# ঙসি কুমারাস্বামি কর্নাটকাগী সি এম ওইনা ৱাশক লৌরগনি ৱাশক লৌবগী থৌরমদা পার্টি ১২ গী লুচিংবশিং য়াওগদৌরি

***বেঙ্গলুরু, মে ২২ ঃ***

কর্নাটকাদা চীফ মিনিষ্টর য়েদ্দিয়ুরপ্পা এসেমব্লি ফ্লোরদা পাঙ্গল চাংয়েং তৌরমদাই মমাঙদা ফম থাদোকখিবদগী কংগ্রেস অমসুং জে দি (এস) কী অপূনবা এলাইয়েন্সিকী লুচিংবা জে দি (এস) কী ঐচ দি কুমারাস্বামি হয়েং বেঙ্গলুরুগী বিধান সভাদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

কুমারাস্বামি ৱাশক লৌবগী থৌরম অসি অঙকপা মওংদা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন পার্টি ১২ গী লুচিংবশিং শরুক য়াগদৌরি অমসুং থৌরম অসি ওপোজিসনগী মীফম অমগুম থোক্কদৌরি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনশিংদা বি জে পি গা লম্বা থেংনবা ঙম্ননবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেম্ননবগী অহানবা থৌরাং ওইনা কুমারাস্বামি ৱাশকপগী থৌরমদা বি জে পি গী মায়োক্তা লৈবা মরু ওইবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াগদৌরি।

হৌখিবা নুমিৎ হুম্নিদা কমারাস্বামিনা ষ্টেট ৫ গী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী সেনিয়ার লীদরশিং য়াওনা অশাংবা গেষ্ট লিষ্ট অমা শেমখ্রে।

চহী ৫৮ শুরবা কমারাস্বামি দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালসু উন্নখ্রে। মহাক্না সি পি এম জেনরেল সেক্রেটরী সিতারাম য়েচুরি হকথেংননা উন্নদ্রবসু টেলিফোন্দা ৱাশকপগী থৌরম য়াওননবা হায়জখ্রে।

সিতারাম য়েচুরিনা কোন্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা হন্দক্কী মতাং অসিদা থোইদোক্লা ফোর্মেলিটিগী ৱাফম লৈতে। মে ২৩ দা ঐহাক বেঙ্গলুরুদা থৌরম অদু য়াওরুগনি হায়খি।

মহাক্কী ৱাশক লৌবগী থৌরম শরুক য়ানবা ঐচ দি কুমারাস্বামিনা হায়জখ্রিবা মীওইশিং অদুদা বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি, কেরলা চীফ মিনিষ্টর পিরায়ী বিজয়ান, অন্ধ্র প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদু, টেলঙ্গনা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাও, হান্নগী য়ু পি চীফ মিনিষ্টর অখিলেস যাদব, বিহার লুচিংবা লালু যাদবকী মচানুপা টেজাস্বি যাদব, রাষ্ট্রিয়া লোক দল চীফ অজিৎ সিংহ, দি এম কে চীফ এম কে ষ্টেরিন, এক্টর–পোলিটিসিয়ান কমল হাসন অমসুং দলিট লুচিংবী ময়াবতিনি।

কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ঐচ দি কমারাস্বামি হয়েং ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিদা কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী অমসুং মহাক্কী মমা সোনিয়া গান্ধীসু শরুক য়াগদৌরি। হন্দক্কী থৌরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকপদা থৌরম অসি লুচিংবশিং উন্ননবগী অমসুং নুংশিনবগী মরী শাগৎনবগী অফবা তাঞ্জা অমনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী অসিগুম্বা লুচিংবা শুনা তিনগদৌরিবা মীফম অসিদা হন্দক্তি গান্ধীগী ইমুং মনুং অসি মনীং থংবা ফম্ফমদা ফমগদৌরি। মখোয়না অপিকপা পার্টিশিং অমসুং রিজনেল পার্টিশিংবু পূক্নীং থৌগৎপা ওইনা হেন্না খুদোংচাবা পীগদৌরি। অসুম্না বি জে পি বু শীংননবগী মপূং ফাবা ফিরেপ অদু মখোয়না তাক্লি।

বেঙ্গলুরুগী বিধান সভাদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ঐচ দি কমারাস্বামিবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিদা বি জে পি দি শরুক য়ারোইদৌরি। পার্টি অসিগী লুচিংবশিং থৌরম অসিদা শরুক য়াবগী মহুত্তা হয়েং মখোয়না প্রোটেষ্টকী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# তামিল নাদু প্রোটেষ্টতা পুলিসনা কাপ্পদা ৯ শিরে

***চেনাই, মে ২২ ঃ***

তামিল নাদুগী হিথাংফম সিটি টুতিকোরিনদা লৈবা কোপ্পর স্মেলটিং প্লান্ট অমা থিংজিন্নবা দিমান্দ তৌবা প্রোটেষ্টরশিংনা য়ৈখাই থুগায়বগী থবক চথরকপদগী পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৯ শিরে।

ঙসি মফম অদুদা মীওই লীশিং ২০ লোম তিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখি অমসুং প্লান্ট অদু থিংজিন্নবা দিমান্দ তৌখি। খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা য়ৈখাই থুগায়বগী থবক ফাওবা চথখি। মদুদগী এ আই এ দি এম কে গভর্ণমেন্টনা মীয়ামবু ইংথনবা অপিল তৌখি অমসুং হায়রিবা প্লান্ট অদুগী মায়োক্তা আইনগী থবক অমা চথগনি হায়না ৱাশকখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থোকপা ৱারোল অমদা পুলিস ফোর্সকা মুক্নবা অদুদা মীওই কয়া অশোক–অপন থোকখিবগে হায়বদু অকক্লনা ফোঙদোকখিদে অমসুং সেনিয়ার পুলিস ওফিসারশিংনা চপ চাবা অশিবগী মশীং খঙবা ঙমদে হায়খি।

অশোক–অপন নংলবা অমসুং নোংমৈনা পানবদগী শিরিবশিংগীদমক কম্পেনসেসন পীনবগী মতাংদা তামিল নাদু সেনিয়ার মিনিষ্টর দি জয়াকুমারনা ৱা ঙাংবদা মীওই অহুম ফাওবদি শিরে হায়না ফোঙদোকখি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টনদি ঙসি প্রোটেষ্ট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিরে হায়খি।

ষ্টারলাইট কোপ্পর স্মেলটিং প্লান্ট অদুগী মায়োক্তা অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জা মীশিং কয়ানা থা অহুম হেন্না প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাকখ্রবনি। অদুবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী দিমান্দশিং করিমত্তা তাবিদে হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

মীয়াম্না মতম শাংনদগী শান্তি ওইনা প্রোটেষ্ট তৌরক্লবসু মতম অসুক শাংবসি গভর্ণমেন্টনা থওইনা তাবিদে। মরম অদুনা ঙসি থোক্লিবা হিংশা অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থোকহনবনি হায়না ওপোজিসন দি এম কে গী লুচিংবা এম কে ষ্টেরিন্না গভর্ণমেন্টপু মরাল শীখি। কোপ্পর প্লান্ট অদু শোয়দনমক থিংজিনফম থোকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# যু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট অনী মাঙজৌননা উন্নগদৌরি



***ৱাসিংতন, মে ২২ ঃ***

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগাম থাদোকহন্নবগী মতাংদা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং উন গা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকা সিঙ্গাপোরদা জুন ১২ দা উন্নগনি হায়রিবা অদুগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে–ইন গা য়ু এস পসিদেন্টকা ৱাসিংতনদা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদৌরি। ৱারী শান্নবা অদুদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা য়ু এস পু অশাওবা ফাথনবা হোৎনরবা য়াই হায়না ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগী মরক্তগী অমনা ফোঙদোরকপদা মখোয়গী প্রসিদেন্টনা য়ু এস প্রসিদেন্টতা কিমগা ৱারী শান্নবা অদুদা মহাক্না করি অশা তৌবা য়াবগে অমসুং করি–করম্বনা অশা তৌরোইদবনো হায়বদু খন্নগনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগা য়ু এস কা অপূনবা মিলিটরি এক্সর্সাইস অমা পাঙথোকখিবা অদুগা য়ু এস কী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টোননা দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী মতাংদা লিবিয়া মোদেল অমা চত্থরবা য়াই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবদগী নোর্থ কোরিয়ানা অশাওবগা লোয়ননা জুন ১২ সমিট তোক্লগনি হায়না ফোঙদোক্লকখিবনি।

লিবিয়া মোদেল হায়বদি লিবিয়াগী মথক্তগী সেঙ্কসনশিং লৌথোকপগী মমল ওইনা লিবিয়াগী লীদর মুৱামর গদ্দাফিনা মহাক্কী ন্যুক্লিয়ার প্রোগাম তোক্লনবা ইং ২০০৩ দা ৱেষ্টর্ন পৱারশিংগা য়ান্নখি। অদুবু মদুগী মতুংদা ৱেষ্টনা গদ্দাফিবু হাৎতোকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অদুগা সিঙ্গাপুরদা উন্নগদৌরিবা অদু থবক ওইনা চত্থগদ্রা হায়বগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্টনা মহাক্কী তেংবাংবশিং অমসুং এদভাইজরশিংগা খন্নরি।

মরকসিদা য়ু কে, য়ু এস, রসিয়া অমসুং চাইনাদগী পাউমী খূৎপু অমা চয়োল অসিগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট তৌফম অদু শিদোক্লবগী থৌরম অদুগী পাউ লৌনবা বৈজিংদগী নোর্থ কোরিয়াদা নোংথক লম্বীদা পাইখ্রে। পুংগ্বে–রি ন্যুক্লিয়ার সাইটতা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুগী চপ চাবা নুমিৎ অমসুং মতম হৌজিক ফাওবা লাওথোক্ত্রি।

য়ু কে গী স্কাই ন্যুজতগী পাউমী তোম চেস্যারনা ফোঙদোকপদা মখোয়না চৎলিবা লম্বী অদু অমোৎপা লম্বীশিংদনি অমসুং খোঙনা চৎপদা পূং ২ রোম চঙই হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী চীংগী লমদম ওইবা অৱাং নোংপোক্তা লৈবা মফম অসি লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ন্যুক্লিয়ার ফেসিলিটিনি অমসুং মালেমগী মনুংদা মসিনা অমখক্তা ঙাইরবা এক্তিভ ন্যুক্লিয়ার টেষ্টিং সাইটনি। অনকপদা লৈবা মাউন্ট মনতাপকী মখাদা লৈনুংদা তৌবা টনেলশিংগী সিষ্টেম অমদা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অদু পাঙথোকই।

সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এস কা উন্নদুনা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা য়ানবা পুরকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা মদুগী মমল ওইনা ন্যুক্লিয়ার টেষ্টিং সাইট অদু থুগায়রগে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

সাইট অদুগী মতাংদা সাইন্টিষ্টশিংনা চিংনরি। মদুদি হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী কোনবা টেষ্টতা হায়রিবা টেষ্টিং সাইট অদু মচেৎ খরা নীংখাইখ্রে হায়রি।

## তর্কি কু ট্রাইয়েল ঃ ১০৪ পুন্সিচুপ্পা জেলগী চৈরাক পীখ্রে

***অনকারা, মে ২২ ঃ***

হৌখিবা ২০১৬ কী জুলাই ১৫ দা তর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ এরদোগান মফম লৌথোক্লবা অদুবু মায়থিখ্রবা কু অদুদা চেন্নবশিংগী ৱায়েলদা কোর্টনা হান্নগী মিলিটরিগী মীওই ১০৪ বু মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা জেলদা চৈরাক পীখ্রে।

প্রসিদেন্টকী মফম লৌথোক্লবা কু অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৬০ শিখি অমসুং ২,২০০ শোকখি। মদুগী মতুংদা কু অদু শৌগৎপনি চিংনবশিংগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা অকনবা থবক লৌখৎখি। লোয়ননা ষ্টেট ইমপ্লোইয়ি ১,৫০,০০০ হেন্না থবক লৌথোকখি অমসুং মীওই ৫০,০০০ রোম ফাগৎখি।

নোংচুপ থংবা তর্কিগী ইজমিরদা লৈবা কোর্ট অদুদা ৱায়েল চত্থখিবা হান্নগী মিলিটরিগী মীওই ২৮০ রোমগী মনুংদা মীওই ৫২ দা খরা হন্থবা চৈরাকশিং পীখি। অদুগা প্রসিদেন্টপু হাৎনবগীদমক মতেং পাঙবনি হায়বা মীওই ২১ দা জেলদা চহী ২০ লৈনবগী চৈরাক পীখি। অদুগা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী মেম্বর ওইবগীদমক অতোপ্পা মীওই ৩১ বু চহী ৭ তগী ১১ ফাওবগী চৈরাকশিং পীখি।

তর্কি ওথোরিটিসনা ২০১৬ কী প্লোট অদু ফেথহুল্লা গুলেন কৌবা মুস্লিম ক্লেরিক অমবু য়াবা মুভমেন্ট অমননি হায়দুনা মরাল শীখি। অদুবু ১৯৯৯ দগী হৌনা য়ু এস তা মশা মতোম্ত লোই থাজদুনা লৈখ্রবা মিষ্টর গুলেন্নদি প্রসিদেন্ট হাৎনবা থৌরাংদুদা মহাক্কী খূৎ অমত্তা য়াওদে হায়খি। মহাকপু তর্কিদা থারক্লবা তর্কি ওথোরিটিসনা হায়জরকপশিং হৌজিক ফাওবদা ৱাসিংটনা থিংদুনা থল্লি।

## করাচিদা ৬৫ শিখ্রে

***করাচি, মে ২২ ঃ***

পাকিস্থানগী করাচি সিটিদা রামজান অশেংবা থা অসিগী মনুংদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪ য়ৌনা শাবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৬৫ শিখ্রে। শাবগী চাং অসি হেনগৎলকখিবা য়াবনা শিবগী চাংসু হেনগৎলকখিগদ্রা হায়না অকিবা পোক্লরি।

রামজান থা মনুংদা নুংথিলগী মতমদা মুস্লিমশিংনা করিগুম্বা চানবা পোৎ অমত্তা চানদে অমসুং ঈশিং ফাওবা থক্তে। অসিগুম্বা মতম অসিদা অঙকপা ফংনা নুংশাগী মৈশা শাগৎলকপা অসিগা ফাংনরকপদগী অমুক্কা হেন্না খুদোংথিবা থোক্লি।

করাচিগী কোরাঙ্গি অমসুং সোহরা গোথদা এধি ফাউন্দেসনগী মোর্গশিংদা চাওরাক্লা অশিবা হকচাং ১১৪ রোম পুখৎলকখি। মদুগী মনুংদগী য়ামদ্রবদা হকচাং ৬৫ দি হিটষ্ট্রোক্তগীনি হায়রি।

RST Resonant Tutorials Imparting light to Medical aspirants

RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants

SL/Bill (upto 12 June)

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Entrance Exam

NEET(UG)-2019

Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018

Special features:
- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

## GAS TODAY

**Athokpam Indane**
Booking : 03/04/18
Valid : 27/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 16/04/18
Valid : 07/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 761.50/-

**Hiyangthang Indane**
Booking : 12/04/18
Sl. No. 150
Valid : 10/04/18
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 10/04/18
Valid : 28/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 25/04/18
Valid : 24/04/18
Stk : 576
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 17/04/18
Sl. No. 6900
Valid : 12/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Indane**
Booking : 19/04/18
Valid : 13/04/18
Stk : 612/19kg 80
Rate : Rs. 761.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 24/04/18
Sl. No. 100
Valid : 13/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 02/04/18
Valid : 20/03/18
Sl. No. 21746
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 20/04/18
Valid : 16/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 21/05/18
Valid : 19/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 07/04/18
Valid : 27/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 12/04/18
Valid : 09/04/18
Sl. No. 3841 to 4700
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 17/04/18
Valid : 11/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 11/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 19/04/18
Valid : 02/04/18
Stk : 306
Time : 10.00 to 01.30 p.m

**R & H Indane**
Booking : 27/03/18
Valid : 08/03/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১১৭৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 3 | 4 | 7 | 8 | 1 | 6 | 9 |
| 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 5 | 2 | 7 | 8 |
| 9 | 8 | 7 | 6 | 1 | 2 | 3 | 5 | 4 |
| 8 | 7 | 2 | 3 | 5 | 9 | 4 | 1 | 6 |
| 1 | 6 | 4 | 2 | 8 | 7 | 9 | 3 | 5 |
| 5 | 3 | 9 | 1 | 6 | 4 | 8 | 2 | 7 |
| 6 | 2 | 8 | 5 | 9 | 3 | 7 | 4 | 1 |
| 7 | 4 | 1 | 8 | 2 | 6 | 5 | 9 | 3 |
| 3 | 9 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 8 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1175**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 5 | 9 | | 3 | | | 1 |
| 1 | 2 | | | 8 | | | 4 | |
| | | | | | | | 2 | 9 |
| | | | | | | 9 | | |
| 2 | | | 4 | | | | | |
| | | | | | 8 | 3 | 7 | 2 |
| 9 | | | 2 | | | | 1 | |
| | 3 | 2 | | 5 | | 8 | | |
| | | | | | 6 | | | |